মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম কুমারজিৎ অমদি নার্কোটিক সেলগী ও সী ইন্সপেক্তর দেবকুমারগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলগী এ এস আই, এস তাইবংঙানবনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক থম্বালনু মার্কেট মনাক্তগী নুপা অমা নম্বর হেরোইন পাউদ গ্রাম ২.৫০ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলগী পুলিসনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমীং কানচা ৱাইফৈ (৪৫) অপোকপা দুননৈপাউ কৌই। মহাক নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈব এস ইলিমফাই ফুলদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা হেরোইন পাউদর অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ৩০ রোমগী ওইগনি হায়রি। মহাক অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সনাগী ঙা-থ্রিগী মহুরট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন (আই এম এ এ) না পুথোক্কদৌরিবা শুমাং লীলা *সনাগী ঙা-থ্রিগী* মহুরট ঙরাং এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি নেটাচন্দ্র শর্ম্মগী শঙ্গাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি নেটাচন্দ্র, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম অমসুং এস টিজেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এন তোম্বনা হায়খিবদা, প্লে অসি ও কুঞ্জোনা ইবনি। মীয়াম্না পাম্নখিবা লিলা *সনাগী ঙা* সেরিজগী অহুমশুবা পার্ট অসি অথুবা মতমদা মীয়ামদা খুদোল তম্লগনি।

ত্রাইবেল স্কোলরসিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস (ত্রাইবেল এফেয়রস দিভিজন) মণিপুরনা ক্লাস নাইন অমসুং টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী প্রি মেট্রিক স্কোলরসিপ অমসুং পোষ্ট মেট্রিক স্কোলরসিপকী এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

পেরেন্ট অমসুং গার্জিয়ানশিংগী এন্যুএল ইনকম চহী অমদা লুপা লাক্ষ ২ নৎত্রগা ২.৫ দগী হেন্দবা, রিকগনাইজ তৌরবা মহৈশঙ অমদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং প্রী/পোষ্ট মেট্রিক স্কোলরসিপকী এপ্লিকেসন ফোর্ম দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেবসাইট www.tahmanipur.gov.in তগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি অমসুং লিগেল সাইজ পেপরদা নাকল অনীমক্তা নমথোক্লবা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অসিদা সবমিসন তৌবা য়াগনি। লোয়ননা অকূপ্পা মরোল ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস মণিপুরগী ওফিসতগীসু খঙবা য়াগনি হায়রি।

লম-তু শেংদোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

য়ুনিভর্সেল প্রোগ্রেসিভ ক্লব খুরাই থৌদাম লৈকায়না থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৭ তাবদা অথৌবশিংগী নুমিৎকী মাঙওইননা ৱাই এস এস/য়ু পি সী খুরাই থৌদাম লৈকায়গী অকোয়বা মফমশিং শেংদোক্নুনা উচারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। য়ুনিভর্সেল প্রোগ্রেসিভ ক্লবকী জোইন্ট সেক্রেটরি প্রেমজিৎ লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

চান্দেলগী স্কুলশিং নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন অমত্তদা মহৈ তমদবা মহৈরোয়শিং জে এন ভিগী ক্লাস সিক্স এগজামিনেসন্দা পাস তৌরকপবু অনাল নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

অনাল নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পাসেল কিংসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা জুলাইদা লাউথোকখিবা জে এন ভি অসিগী ক্লাস সিক্সকী এগজামিনেসনগী রিজল্টতা অসিগুম্বা অশোয়বা অরানবা কয়া অসি থেংনরকখিবনি। মখা তানা ইনক্বারি তৌরবা মতুংদা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা মহৈ তমদবা মহৈরোয়শিং য়াওরম্বা থেংনখি। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং চথবশিং অসি য়ুনিয়ন, মহৈরোয়শিংনা অমসুং মীয়ামগী মায়োক্তনি।

অসিগুম্বা মখলগী লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং অসি মতম শাংনা চথরকপদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জে এন ভিদা ত্রাইবেলশিংনা ফংগদবা সিট কয়া মফম অদুগী মীয়াম নত্তবশিংনা লৌদুনা লাক্লে হায়বা খঙবা ঙম্লে। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি খ্বাইদগী হেন্না শোখবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবনি অমসুং খুদোংচাদবা ইমুং মনুংগী অঙাংশিং প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তমহনবা ঙমদনা লৈরিবনি। মরম অদুনা জে এন ভি চান্দেল অসি মখোয়গী মহৈ তম্নবা মফম ওইনা খল্লিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ন আর্মিনা হাৎখি হায়বা মীওইশিংগী হকচাং ইমুং-মনুংদা শীন্নৌ হায়না লূপ কয়ানা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী লমখাই কৈথেলদা ঙসি জে এ সী জিরিবামনা শীন্দুনা ইন্দিয়ন আর্মিগী অরোনবা মীহাৎতা লৈখিদ্রবা জিতেশ্বর অমদি মহাক্কা লোয়ননা হাৎখিবশিংগী হকচাং শীন্নৌ, মণিপুরদা অফস্পা লৌথোকউ, অচুম্বা ৱায়েল চথৌ মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু, মরাল লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সিট ইন প্রোটেষ্ট অসি করিগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবা এম মাইপাকসনা মীতৈ কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা কুমজা ২০১১গী এপ্রিলগী থা হৌগৎলকপা অদুৱাইদা নাগামপাল শিংজুবুংদগী জি জিতেশ্বর এলিয়স জিপ্সী কৌবা মীওই অসি মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টদা অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা রিপোর্ট অমা তৌবদা মতমদুগী কম্মান্দো, মণিপুর পুলিস, ইন্দিয়ন আর্মি অমদি ইন্দিয়াদা লৈবা ফোর্স খূদিংমক্না মখোয়না ফাদে, খঙদে হায়বদগী মতমদুদা গুৱাহাটি হায় কোর্টতা তৌরম্বা কেস অদু ৱিথদ্রো তৌহনখি। মতম অদুদগী হৌদুনা মাগা লোয়নবা টি ঐচ সটিশ, টি ঐচ প্রেম, আর কে রোনেল অমসুং পি ঐচ নাওবী অসি য়ূমদগী ফাখিবা অমদি শক খঙদবা কয়ানা মমায়, মমীৎ খুমজিন্দুনা লাক্লগা ফাখ্রবা মতুংদা মাঙখিবা মীওই ৫ অসি হিংলিব্রা, শিখ্রব্রা হায়বসু অমত্তা খঙদনা মতম অসুক শাংনা লৈরক্লগা ইখঙ খঙহৌদনা চহী অসিগী জুলাই ১দা ধরন্বীর সিংহ কৌবা লেফটিনেন্ট কর্নেল, ইন্দিয়ন আর্মিনা গুৱাহাটি হায় কোর্টতা পীরম্বা চেনা ৯ পানবা এফিদেবিটতা ফাইল তৌবা মতমদা জি জিতেশ্বর অমদি মহাক্কা লোয়নবা মীওই ৪ পূন্না মখোয় ৫ অসি হাৎখ্রে হায়না য়াওরকপদগী মীদিয়ানা রিপোর্ট পীরকপদগী হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা নাগামপাল শিংজুবুংদা লৈবা নাগামপাল শিংজুবুং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা লুচিংদুনা মণিপুরদা লৈবা ওর্গনাইজেসন ৩০ মুক্না শরুকয়াদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা ৱারেপ অমা লৌরগা অসিগুম্বা মীওইবা অমবু করিগুম্বা ৱায়েল অমত্তা চথদনা হাৎপা হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা য়াওদবা অমদি ইন্দিয়াগী ফন্দামেন্টল রাইটসপু শীংনবা, লো লৈতবা লৈবাক অমগা চপ মান্ননা লৈরে হায়বসি ইন্দিয়ন আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরন্বীর সিংহনা হায়দোরকপদগী খঙলে হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, প্রোটেষ্ট অসিগী মরুওইবা পান্দমদি ইন্দিয়ন আর্মিগী অরোনবা মীহাৎতা লৈখিদ্রবা জিতেশ্বর অমদি মহাক্কা লোয়ননা হাৎখিবা হকচাং শীন্নৌ, মণিপুরদা অফস্পা লৌথোকউ, অচুম্বা ৱায়েল চথৌ মরাল লৈবশিং চৈরাকপীয়ু, মরাল লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিশিং চৈরাক পীয়ু হায়বগী পান্দমগা লোয়ননা জিরিবামদসু অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লক্তনবা অসিগুম্বশিং অসিদগী কন্নবগীদমক্তা অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়দুনা জিরিবামদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন, ইমা মৈরা পায়বীশিং, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমদি সী এস ওশিং পূন্না খূৎশম্নরগা অসিগুম্বা মীহাৎ অসি য়ানিংদে হায়না সিট ইন প্রোটেষ্ট অসি তৌজবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী এস সুশিলা কৌবী লুচিংবী অসিনা ফোঙদোকখিবদা, আর্মিনা হাৎখি হায়বা মীওই ৫ অসিগী অশিবা হকচাং ইমুং-মনুংদা শীন্নবীয়ু, ইন্দিয়ন আর্মিনা মরম চাদনা মী হাৎকনু, মরাল লৈবা আর্মিশিং চৈরাক পীয়ু অমদি অফস্পা লৌথোকউ হায়না ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়ন আর্মিনা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লিবা জি জিটেশ্বর অমসুং টি ঐচ ছটিশকী হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ফংহনবীয়ু অমদি মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং লোগী ওইবা চৈরাক পীবীয়ু হায়না পোইরৈ ইতা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা ফোঙদোরক্লি।

পোইরৈ ইতা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট কে কুমুদিনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী জি জিটেশ্বর শর্ম্মা অমসুং শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী টি ঐচ ছটিশ, লাঙ্গোল লাই মনাইদগী টি ঐচ প্রেম, তেরা সয়াংদগী আর কে রোনেল অমদি থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দগী পি ঐচ নাওবীবু ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারগা ৱায়েল তৌদনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীদনা হাৎতোকপীখিবা লোয়ননা জি জিটেশ্বর শর্ম্মা অমসুং কে ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ফংহনখিদবগী থৌদোক অসিদা মীয়াম্না মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা লাউদুনা লাকখি। ইন্দিয়ন আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরন্বীরনা কোর্টতা পীখৎখিবা এফিদেভিট অমদা অসিগুম্বা ৱারোল ফোঙদোরকপদগী পাউচেশিংগী খুৎথাংদা থেংনরে। ৱায়েল তৌদনা হাৎখিবা অসিদা পোইরৈ ইতা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

জি জিটেশ্বর, টি ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবিয়ু। কষ্টদিএল দেথ কিল্লিংদা চেন্নরিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসলশিং অমদি চেন্নরিবা মীওইশিং ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমনা থিগৎহন্দুনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু লোয়ননা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি হায়রি।

মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু ইনাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী জি জিটেশ্বর শর্ম্মা, থাংমৈবন্দগী পি ঐচ নাওবী, শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী টি ঐচ ছটিশ, তেরা সয়াংদগী আর কে রোনেল, লাঙ্গোল লাই মনাইদগী টি ঐচ প্রেম হায়রিবা মীওইশিং অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারবা মতুংদা ৱায়েল চথদনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীবিদনা হাৎখ্রে। মরম অদুনা জিটেশ্বর অমসুং ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ফংহনখিদবা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু। জিটেশ্বর অমসুং ছটিশকী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীয়ু অমদি মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়রি। জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা লূপ অসিনা শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শিংজমৈ টু লিলোং মৈরা পায়বী লূপ (শিলিংপাল) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এন মনিশঙনা থোকপা চেরোল অমনসু নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী জি জিটেশ্বর অমসুং শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী টি ঐচ ছটিশ, লাঙ্গোল লাই মনাক্তগী আর কে রোনেল অমদি থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দগী পি ঐচ নাওবীবু ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারগা লোগী ফংফম থোকপা চৈরাক পীদনা হাৎখ্রে। লোয়ননা জি জিটেশ্বর অমসুং টি ঐচ ছটিশকী অশিবা হকচাং ফংহনখিদবা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না লাউদুনা লাক্লি। মখোয় অনীগী হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীয়ু অমদি ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি।

ক্ষেত্রিগাও অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট জানো বেগম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী জি জিটেশ্বর শর্ম্মা, থাংমৈবন্দগী পি ঐচ নাওবী, শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী টি ঐচ ছটিশ, তেরা সয়াংদগী আর কে রোনেল, লাঙ্গোল লাই মনাইদগী টি ঐচ প্রেম হায়রিবা মীওইশিং অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারবা মতুংদা ৱায়েল চথদনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীবিদনা হাৎখ্রে অমদি জিটেশ্বর অমসুং ছটিশকী হকচাং হৌজিক ফাওবা ফংহন্দনা লৈরিবা অসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীয়ু। লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি।

ইপসানা পুথোকপা লাইরিক *ফিরাল* ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

কংলৈপাক্কী অরিবা মতমগী নিংথৌরোলশিংনা শীজিন্নরম্বা লৈবাক্কী ওইবা ফিরালশিং মশক তাকপা লাইরিক *ফিরাল* হায়না মীংথোনবা অসি ইংলিস এদিসন্দা অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা নুপীলাল কমপ্লেক্সকী হোলদা ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) না ফোঙলগনি হায়রি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। *ফিরাল* হায়বা লাইরিক অসি ফোঙনবগীদমক্তা ইপসানা কুমজা ২০১০গী জন্যুৱারী ১দা সেমিনার অমা পাঙথোকখি। মখা তানা লাইরিক অসি ফোঙনবগীদমক্তা কুমজা ২০১০গী ওগষ্ট ২১দা কনভেন্সন অমসু পাঙথোকখি।

মণিপুর এদিসন্দা ইপসানা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ১৪দা ইহান হানবা ওইনা *ফিরাল* হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখ্রে। লৈবাক মীয়াম্না ইপসানা ফোঙগদৌরিবা লাইরিক অসি ফোঙবা নুমিৎতা লৈবিরবদি অতাবা মমলদা ফংহনগনি হায়না ইপসাগী সেক্রেটরি আই পি আর এস তোম্বীস্নানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লাইরিক লৈগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি ইম্ফাল অমসুং রাজা রামমোহন রোয় লাইব্রেরি ফাউন্দেসন কোলকটাগী মখাদা চহী খুদিংগী লাইরিক লৈবগুম কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা কুমজা ২০১৬-১৭-১৮ ফাওবগী মনুংদা ফোঙখিবা লাইরিকশিং লৈননবগীদমক লোকল অমসুং মপানগী ফর্ম, পব্লিসর অমদি অইবা অমদি অইবীশিংদগী লাইরিক্কী কোপি ২/২ থাগৎলকপা য়াগনি হায়না ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী চীফ লাইব্রেরিয়ন এ লতাকিশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লাইরিকশিং অদু মমাঙদা লৈখ্রবা অমদি মমল শেমদোক শেমজিন তৌরকপা লাইরিকশিংদি কম্মিটিনা খন্নরোই। লাইরিক লৌশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩১ ফাওবনি। অকূপ্পা মরোল ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

মীয়ামগী অনীংবা অপান্বা ফোঙদোকহন্দনা থম্বদি লানগনি : এ এ পি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কায়রক্কদবা ওইরবদি ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন্নচিংবা রাইটশিং অদু চানগদবা মওংদা খরমখৈ অথিংবা থম্বদি য়াই অদুবু পুল্লপ ওইনা থিংজিন্দুনা থম্বদি লানগনি। মীয়াম পূন্দুনা খন্ন-নৈনবা, প্রোসেসন্নচিংবা অমত্তা চৎপা য়ারোই হায়রবদি ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা শালানগী মতম ওইরবদি লৈঙাক্লা অদুগুম্বা থবক পায়খৎপা ঙম্মী নৎত্রগা অতোপ্পা চৎফম অমা শিনফম থোকই হায়না আম আদমি পার্টি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

আম আদমি পার্টি মণিপুরগী কনভেনর থৌদাম মনিহারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওইবা চরা হেল্লবদি হিংবা ঙম্লোই, লাইরিক তমদ্রবদি ইরৈপাক কনগদৌরিবা মহৈরোয়শিং মাঙগনি। থাগী তলব চাং নাইনা ফংদ্রবদি ইমুং মনুং মহী লাংগনি। অদুবু তলবতি পূন্না ফংবা য়াই। মহৈরোয়শিংগী মাঙখিবা মতমদি মেনখৎপা ঙম্লোই। য়ুনিভর্সিটি হায়বসি লোগী মরমদা খঙ হৈরবা লো কোলেজ নৎত্রগা পোলিটিকেল সাইন্স, মেদিকেল কোলেজ অমসুং ফিলোজোফিনচিংবা সবজেক্ট কয়াগী প্রোফেসর অমদি স্কোলর কয়া লৈরিবনি। ইনক্বারি রিপোর্টকী মতুং ইন্না ভি সী পান্দে মরাল লৈরবসু নৎত্রগা লৈত্রবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অমুক হন্না লাকপীরগনু হায়বা ৱাফমসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামগী ৱারেপ ওইরসি।

করিসু লৈতবা এ পি পান্দেগী ৱাফমদা মণিপুরী ঐখোয়না হন্না হন্না নৈনদুনা এম য়ুগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙহল্লগুমসি। ভি সী পান্দেগী মঙক কনবা নৎত্রগা মীচং য়াম্না লৈবগী মতিক মগুণ ফোঙদোকচনীংদে। লাইনীং লীচৎকী ওইবা লাইরিক কয়া নৈনবনা ঐখোয়দা মঙাল ফংগনি। মরম অদুনা প্রোফেসর এ পি পান্দে মণিপুরদগী চৎপীখ্রো হায়রি।

রেল্লিনচিংবা চৎতুনা লাউ খোংবা হায়বসি দেমোক্রেসিগী শক্তমনি। মপি মপা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মচা মশুশিংনা নিংঙাই তৌজবনি খনবীয়ু। সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা কয়াম কুইনা থমগনি। চীফ মিনিষ্টরবু ফম থাদোকউ হায়বা ৱাফমসু হায়গুমসি। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিং রিজাইন তৌখ্রবদি প্রসিদেন্ট রুল থম্লক্কনি। মদুনা হেন্না মীয়ামদা অৱাবা ওইগনি। মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা অপান্বা পূম্নমক ফোঙদোক্কদবনি।

মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিং পূন্না চৎতুনা দেল্লিগী জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌবা, ৱাকৎ মীফম ফন্বা য়াই।

লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাখিবা পাওনা, থাঙ্গাল, টিকেন্দ্রজিৎকী ৱারী নীংশিংসি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টরনসু মণিপুরগী পুৱারীগী ৱারীশিং স্কুলশিংগী সেলেবসতা তমহনবীয়ু। ইন্দিয়াগী মেপ নৎত্রগা মণিপুরগী মেপ য়েকপদা মমাঙঙৈদা মার্ক ১৫ পীরম্মী। হৌজিক্তি মীয়ামসু মণিপুর গভর্ণমেন্টসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু চমম্নরিঙৈদা কিরেন রিজিজুনা পার্লিয়ামেন্টতা তাকখ্রে। অঙাংনা মণিপুরগী মেপ য়েকপদা ক্বাথাগী শরুক য়াওদনা য়েক্লবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী ওজাশিংনা মার্ক কয়া পীগনি হায়বা ৱাহং অমসু লাক্লি।

অৱা লান্দা অমাঙ অতা নংখ্রবসু জপানগী হিরোসিমা, নাগাশাকি উৎ ওনখ্রবনি। ঙসিদি জপানগী চাওখৎপা মতৌ অদু মণিপুরনা তমসি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী ইন্দো নাগা পিছ টোক হায়রিবা অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট অমগা ৱারী শানবনি হায়না লৌরবদি এগ্রীমেন্ট অদুদা মণিপুরগী ৱাফম য়াওদ্রবদি পার্টি অনীদুদা য়াওদবা মণিপুরনা করম্না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) বু এমেন্দমেন্ট তৌনবা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরকপদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা খুমগদবা ৱাফমশিং মণিপুরগী এম পি অহুম্না শেম শাবীয়ু।

কোংগ্রেস অমদি বি জে পি চৈগদবা নত্তে। মীয়ামগী অপান্বদু গভর্ণমেন্টতা ফোঙদোকপনি। পৱার পায়রিবা পার্টিনি হায়দুনা থওইবীদবা তৌবীরবসু খন্নবা য়াবা ৱাফমদি খন্নগদবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হায় কোর্টনা কুমজা ২০১৫কী মে ১৮দা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা মীয়ামগী ওইবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অমসুং ৱাকৎ মীফম ফম্ফম অমা খন্ননবা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক অমদি হৌজিক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তাবীদনা লৈরি।

রেল্লি চৎপা থিংলবসু মীয়ামগী ৱাকৎ ফোঙদোক্নবা মফম অমদি থম্ফম থোকই। পার্টি তোঙান তোঙানবগী ৱাফম থাদোক্লুরগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ৱাফম অসিগী মতাংদা খন্নবীয়ু হায়রি।

ভি সী পান্দে লৌথোকউ হায়দুনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা নোর্থ-ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদেরিটি (নেফিস) চান্দিগর য়ুনিটনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মহৈরোয়শিংগা খুৎশম্নদুনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

নেফিসকী কোওর্দিনেটর শ্যামকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অনী হেন্না খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়, ওজা অমদি ষ্টাফ মেম্বরশিং শৌগৎপা ওইনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা প্রোটেষ্ট দেমোনষ্ট্রেসন চথখিবনি। ইনক্বাইরি চথরিবা ভাইস চান্সেলরগী মায়কৈদা লেপ্পগা লৈঙাক্লা লৌরিবা থৌদাংদুসু মহৈরোয়শিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। ইনক্বাইরি চথরিবা মীওই অমবু ছুটিদা লৈহনখ্রগা অরেম্বদা মতম মাঙহন্নবা হোৎনবগী থৌওংবুসু চেরোল অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

লৈঙাক্লা খোঙজং চঙশিল্লিবা কাঙবুগী মরক্তা নাকপাক তাহল্লগা ভি সীবু মখা তানা থৌ পুহন্নবা হোৎনরে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, এম য়ুগী ভাইস চান্সেলর মফম লৌথোকউ হায়না তকশিল্লদুনা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি ষ্টাফ মেম্বরশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা থা অনী হেনজিল্লক্লে। নেফিসনসু এম য়ুদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা চান্দিগর য়ুনিভর্সিটিদা সিগনেচর কেম্পইন চথবা হৌরে। মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা অচৌবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

‘ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

ইন্দো নাগা পিছ টোক্কী ফ্রেমৱর্ককী রিপোর্ট অমা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিদা থমখিবা সেন্তরগী ইন্টরলোক্যুটর রবিগী ৱাফমদা নাগালেন্দদা পীরিবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বলগী মায়োক্তনি হায়না অপোকপা মরূপ ১৯৩০গী চেয়রমেন লাইনীংবা মঙ্গিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বলগী ৱাহন্থোক্কী মায়োক্তা ইক্বেলিটি ওফ ষ্টেটস এন্দ ওপোর্চুনিটি হায়বা ৱারোল অসিগী মায়োক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্পিসিয়েল ষ্টেটস হায়বসিদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক পথাপ ওইরিবা কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বলদা পীরিবদি ইক্বেলিটি ওফ ষ্টেটস এন্দ ওপোর্চুনিটি হায়বনি। অসিগুম্বা ষ্টেটস অসি করিগী নাগালেন্দগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) দা কমদৌনা চৎনহল্লম্লিবনো। মরম অদুনা ইন্দো নাগা পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিদা থমখিবা ৱাফম স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু হন্দাকখিনবা মণিপুর অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী হায়জরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

মিলালগী ১৫রকশুবা মপোক কুমওন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপূনবা লূপ (মিলাল) গী ১৫রকশুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী থৌরম থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা জি এম হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা কাঙলূপ, ফুরুপ অমত্তনা বন্দ অমসুং ব্লোকেদনচিংবা তৌবিদনবা ৱাফমসু মিলালগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা থোকপা চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না কুমজা ২০১৮গী ক্লাস টুয়েল্ব অমদি টেনগী এম আই এল সবজেক্ট (মীতৈ ময়েক) তা খ্বাইদগী মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মনা-মথুম য়েন্থোক্কনি। মরুওইনা মীতৈ, চীংমী অমসুং মীতৈ পাঙল কাঙলূপকী মরক্তা খ্বাইদগী মার্কৱাংনা ফংবশিং খনগৎতুনা মনা অসি পীগদবনি হায়রি।

ক্লাস টুয়েল্বকী ওইনা মনা ফংগদবশিং অদুদি পাইওনর একাদেমি পেলেস কম্পাউন্দগী তাইবংঙানবী খুরাইজম, কম্প্রিহেন্সিব কন্সেপ্ট স্কুল সঙাইপ্রৌগী কে ঐচ তবাসুম শাহানি। হবার্ট স্কুল চঙাঙ্গৈ এয়রপোর্টকী তম্পাকময়ুম রহট আলি অমসুং স্কুল অসিমক্কী সী ঐচ তুংশিল শিলৈনি। লোয়ননা ক্লাস টেনগীনা ইম্ফাল পব্লিক স্কুলগী টোসিবা অকোয়জম, ময়াং ইম্ফালগী সী ঐচ থম্বৌ হায় স্কুলগী সুরজকান্তা ইরেংবম, য়াইরিপোক্কী অন্টার্টিক ইংলিস স্কুলগী রেহনা তম্পাকময়ুম, স্কুল অসিমক্কী এম দি হনিপ অমসুং স্কুল অসিমক্কী এম দি মুনির, ৱিজদম ফাউন্দেসন খাঙবোক পার্ট ৱানগী কে ঐচ অসুমা শাহানি। ইভরগ্রিন ফ্লৱার স্কুল থৌবালগী শাফিয়া অমসুং স্কুল অসিমক্কী সারিয়া, ময়াং ইম্ফাল হৈবোংমখোংগী ইদেন ইংলিস স্কুলগী সুরৈয়া বেগম অমসুং স্কুল অসিমক্কী ৱাসিমা বেগম, হৈবোং মখোংগী কম্পোজিৎ সেন্টর ফোর লার্নিংগী অজমিকা, কংলা চীংঙারেলগী লৈশেম্বা মহৈকোলগী পাওমৈ লানফুলুনি হায়রি।

হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিবু পুথোরকখিবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমদি মমা ওইবশিংনা থৌরম অসি শরুক য়াবীয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

মীচং মীখায় নাইবা থৌশিল য়ানীংদে : সী পি আই (এম)

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিস) না বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী এন্টি দেমোক্রেটিক ওইবা মীচং মীখায় নাইবা মীৎয়েংদা মীয়ামগী রেল্লি চৎপগী পার্মিসন পীবদা লৌরিবা ফিরেপ অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ৩দা লোকল সরাউন্দিং পিপল ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিনবা অমদি মণিপুরগী পোলিটিকল পার্টিশিংনা শৌগৎপা লোয়ননা ঙসি কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়া থাদোকউ ঈহৌগী শরুক অমা ওইনা মহাত্মা গান্ধীগী মীত্তমদা লৈ কৎপা চৎপদা পার্মিশন পীদবা থৌদোক অনী অসিনা তাক্লে মদুদি লৈঙাক অসি মীচং মীখায় নাইবা, দিমোক্রেটিক ওইবা মীয়ামগী খোঙজং শৌগৎতবা লৈঙাকনি।

দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা লৈবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মতম চানা মণিপুর খুন্নাই অসিনা মখা তানা থেংনহৌদ্রবদি চাওখৎ লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্লোই হায়না খল্লি হায়রি।

অমরোমদা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা ওল ইন্দিয়া কিষান সভানা ইন্দয়া শিনবা থুংনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংগী খূথাংদা দিমান্দ ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লৌমী মরূপনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৫গী দি সীশিংদা পীশিনখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিংদি লৌমীশিংদা তোনবা লোন কোকউ, লৌমীশিংগী পোথোক্কী মমল মিনিম্মম সপোর্ট প্রাইসকী লিগেল গরেন্টি থম্মু, লৌউরিবা শিল্লং লৌমীশিংগী মীং লৌগী পাট্টাদা হাপ্পু, শিল্লং লৌমীশিং অমদি লৌমীশিংদা থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ৫ পীয়ু, লৌমীশিংগী মহৈ-মরোং, লন থুম মাঙ তাকখিবগী কম্প্রিহেন্সিব ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিম থবক্তা ওন্থোকউ অমসুং শা-ষণগী ইন্সুরেন্স য়াওনা ফেমিলি হেল্প ইন্সুরেন্স পীয়ু হায়বনচিংবনি হায়রি।

লৌমী মরূপকী লুচিংবা সরত সলাম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নাওরেম প্রবিনগী খূথাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ফুন্দ্রে বট্টালিয়ন্না শিন্দুনা লাক্লিবা ইন্দিপেন্দেন্টস দেগী য়েংদুনা ঈং তপ্পা অমসুং অৱাৎ অপা লৈতবা ফীভম অমা ওইহন্নবা সিক্যুরিটি মীট অমসুং ইন্টরেক্সন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

সিক্যুরিটি মীট অদুদা অসাম রাইফলসনা মফম অসিগী অকোয়বগী ওইনা লৌখৎলিবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মরমদা ৱা খন্নখি। লাক্লিবা ইন্দিপেন্দেন্টস দেগী থৌরমগা মরী লৈননা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা তঙাইফদে হায়না অসাম রাইফলসনা ফোঙদোরক্লি।

সিক্যুরিটিগী এজেন্দাশিং, প্রি রিক্রুইটমেন্ট ত্রেনিংগী অমদি লাক্লিবা ওক্টোবরদা পাঙথোক্লিবা আর্মি রিক্রুইটমেন্ট রেল্লিগী মতাংদসু ৱারোল কয়া খন্ন-নৈনখি। করিয়র কাউন্সিল্লিংগী অমদি তুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মরুওইনা সিভিক প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু খন্ন নৈখি হায়রি। অসিগুম্বা সিক্যুরিটি মীট অসি ভিলেজরশিংদা অদুগুম্বা খন্ন নৈনবগী মফম অমা ফংহন্ননবা অমসুং অসাম রাইফলস অমদি মফম অদুগী মীয়ামগী মরক্তা সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদা খন্ন নৈননবনি হায়রি।

অমরোমদা অসাম রাইফলসকী ফুন্দ্রে বট্টালিয়ন্না শিন্দুনা থৌবালগী ওপরেটিং বেজদা ঙরাং এক্স সার্ভিসমেনগী রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু মরুওইনা এক্স সার্ভিসমেনশিং, ৱিদোশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী ৱাকৎশিং অদু খঙজিন্দুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু করম্না কোকহনগদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকপনি। এক্স সার্ভিসমেন্না তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং খুদোংচাবশিং লৌবা য়ারিবনি। রেল্লি অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা এক্স সার্ভিসমেন ৬৫না শরুক য়াখি হায়রি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিমপাল) উরিপোক ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ১ তাবদা শমুশঙ কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা খন্ন নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর খুন্নাইদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না পীবা চৈথেং হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নিমপালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, নিমপাল উরিপোক ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ৱাই চিত্র, টি ঐচ ইবোপিশক এৱার্দি বেষ্ট সিটিজেন ওফ ইন্দিয়া ২০১১, এল রদু দেপ্যুটি সুপরিটেন্দেন্ট ওফ এক্সাইজ ইম্ফালনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। থৌরম অদুগী রিছোর্স পার্সন ওইনা এম সী রিতা প্রসিদেন্ট লৈমকোল, ঐচ প্রিয়ো প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কাদানা শরুক য়াখি।

লোইনশিল্লোনগী নাচোম ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস):

কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম) না থা খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা লোইনশিল্লোনগী খোঙচৎ হায়না মীংথোনবা অসিগী অহুম্লকশুবা ইস্যু ফোঙবগী থৌরম থা অসিগী ১২দা তাকয়েল কম্যুনিতি হোল ইন্দষ্ট্রি রোদতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ১৮লকশুবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। লোয়ননা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি কৈশাম প্রিয়োকুমারনা ৱারীমচা পাদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা পরিষদকী উপ অধক্ষ ঙাসেপ্পম বিমোলানা চীফ গেষ্ট, কংলৈপাক লোইশিল্লোন অপূনবা মরুপকী লুচিংবী থিয়াম সিলৈমান্না প্রসিদেন্ট, তাকয়েল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান খাইদেম প্রিয়োবলা অমসুং বিজয় গোবিন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সলাম প্রদিপ্পা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

আর্চরিগী তেন শাবা বসন্তদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

আর্চরি মশান্নগী তেন শাদুনা মশানা মশাবু থবক পীজরিবা লিল্লোং চজিংদগী মুতুম বসন্তদা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙরাং লুপা লাখ ২গী শেন্থুং তেংবাঙ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙরাং অয়ূক রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা লিল্লোং চজিংদা লৈবা মুতুম বসন্তগী য়ুমদা চৎতুনা লুপা লাখ ২গী শেন্থুং খুৎশিন্নখি। রেভিন্যু মিনিষ্টর শ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, মুতুম বসন্ত অসি আর্চরি মশান্নগী নেসনল প্লেয়রনি। মশানা আর্চরিগী তেন অসি শাজদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি লৈবাক কয়াদা আর্চরিগী তেন য়োনবা ঙম্লে। ষ্টেট কয়াদগী মীওই কয়ানা মুতুম বসন্তগী আর্চরিগী তেন অসি লৈবা লাক্লরি। মীওই ১২ রোমসু থবক পীদুনা আর্চরিগী তেন শাবগী থবক অসি খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি।

মশানা মশাবু থবক পীজবা অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াদসু থবক পীরিবা মুতুম বসন্তগী হোৎনজমল অসিবু শকখঙবা ওইনা লুপা লাখ ২গী শেন্থুং অসি পীবনি। মুতুম বসন্তদি ষ্টার্ট অপকী লোনসু এপ্লাই তৌহৌদ্রে। মহাক্কী তেন শাবগী থবক অসিদা মেছিন খরা লৈবগী তঙাইফদবা লাকপদগী শেন্থুং অসি পীবনি। আর্চরিগী তেন শাবদা তঙাইফদনা চঙগদবা মেছিনশিং অসি হাপচিল্লগা তেন শাবগী থবক অসি খরা হেন্না মায় পাক্না পায়খৎনবগী নীংজরিবা ৱাখল্লোন অদুদা মায় পাকপা ঙম্নবা শেন্থুং অসি পীবনি। মশানা মশাবু থবক পীজরিবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মুতুম বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, আর্চরিগী শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরক্তুনা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়াদা মেদল কয়া লৌরকখ্রে। নেসনল প্লেয়র অমা ওইনা নেসনলগী থাক্তা মশান্না অসিদা টুর্নামেন্ট কয়া য়াওখ্রে। ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদসু শরুক য়াখি। নোর্থ ইষ্টকী অমদি তোঙান-তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা মেদল কয়াসু লৌরকখ্রে। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রগী ফীভমদা মতেং পাংনবা ৱাখল্লোন লাকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৩দগী আর্চরিগী তেন শাবগী থবক অসি হৌরকখি। তেন অসি লুপা ২,৮০০ দগী হৌরগা লুপা ৫,৫০০ ফাওবগী মনুংদা অয়াম্বা য়োল্লি। য়ু এস এ অমদি চাইনাদগী তেন লৈবা য়াওখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদদি মীওইশিং লাক্তুনা তেন অসি লৈবী। আর্চরিগী তেন অসি দিমান্দ য়াম্না লৈ। থা ১ দা তেন ১০০ রোমদি শাবা ঙম্মী। অনৌবা খূৎশু-খূৎলায় খরা লৈবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।